হিরো আই লীগ ২০১৮-১৯

# য়ূম্বু নেরোকা এফ সীনা আইজোল এফ সীগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট টেল্লিদা ৫শুবা পোজিসন্দা লৈখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস)ঃ ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগকী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৫৯ তাবা মতমদা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেয়েন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচতা য়ূম্বু নেরোকা এফ সীনা আইজোল এফ সীগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট টেল্লিদা ৫শুবা পোজিসন্দা লৈখ্রে।



লৈবাক অসিগী ফুটবোল ক্লব ১১না শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ খায়দোক্তুনা পাঙথোক্লিবা হিরো আই লীগ ২০১৮-১৯গী ওইনা নেরোকা এফ সীনা য়ূম্বু ওইদুনা ঙসি মিজোরামগী আইজোল এফ সীগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পোইন্ট ৩ ফংনবগীদমক্তা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি।

অহানবা হাফকী ১৮শুবা মিনটতা আইজোল এফ সীগী মিদফিল্ডর শান্নরোয় নাইজেরিয়া মচা জর্সি নম্বর ১৬ করিম ওমোলজানা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। টিম অনীগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এটেক কয়া চত্থনরবসু গোল ওইনা ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী মেচ অদু গোল ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা মায়কৈ অনীদগী অহানবা হাফতা শান্নখিবা মওংদগী হেন্না য়াঙনা শান্নরকপা উখি। মেচকী ৪৮শুবা মিনটতা য়ূম্বু নেরোকা এফ সীগী দিফেন্দর শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৪ ইকোটোজেনিয়ন মচা ইর্দোদোর শ্বারেজ ফেরৈরানা আইজোল এফ সীগী মায়কৈদগী চথুরকপা ফজরবা এটেক অমা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়র চথুরুবদগী রেফ্রিনা রেদ কার্দ পীদুনা মেচতগী তান্থোকখি। মিনট ২ কান্নরগা মেচকী ৫০শুবা মিনটতা অমুক নেরোকাগী দিফেন্দর শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৬ সিবাষ্টিয়ন থাংমোনশাংনা ফাওল তৌরুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। মিনট ২ কান্নরগা অমুক মেচকী ৫২শুবা মিনটতা নেরোকাগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২৮ মিদফিল্ডর ওষ্ট্রেলিয়া মচা এরিয়ন ৱিল্লিয়মনা ফাওল তৌরুবদগী রেফ্রিনা অমুকসু য়েলো কার্দ পীখি। মায়কৈ অনীদগী চথুরকপা এটেক খুদিংমক দিফেন্দ তৌনখিবনা গোল ওন্থোকপা ঙম্নখিদে।

| Club | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts. |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. Chennai City | 13 | 9 | 3 | 1 | 31 | 17 | 14 | 30 |
| 2. Churchill Brothers | 14 | 8 | 4 | 2 | 26 | 13 | 13 | 28 |
| 3. Real Kashmir | 13 | 7 | 4 | 2 | 16 | 7 | 9 | 25 |
| 4. East Bengal | 13 | 8 | 1 | 4 | 23 | 15 | 8 | 25 |
| *5. Neroca* | *14* | *6* | *4* | *4* | *17* | *13* | *4* | *22* |
| 6. Mohun Bagan | 14 | 6 | 3 | 5 | 17 | 16 | 1 | 21 |
| 7. Minerva | 14 | 3 | 5 | 6 | 7 | 12 | -5 | 14 |
| 8. Indian Arrows | 14 | 4 | 1 | 9 | 9 | 18 | -9 | 13 |
| 9. Gokulam | 13 | 2 | 5 | 6 | 17 | 22 | -5 | 11 |
| 10. Aizawal FC | 14 | 2 | 5 | 7 | 15 | 22 | -7 | 11 |
| 11. Shillong Lajong | 14 | 2 | 1 | 11 | 14 | 37 | -23 | 7 |

মেচকী ৭০শুবা মিনটতা আইজোল এফ সীগী দিফেন্দর শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৩১ মিংথান মাওৱিয়ানা নেরোকা এফ সীনা আইজোল এফ সীগী গোল পোষ্ট তম্না পুশিল্লকপা বোল অমা দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা ফাওল তৌরুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। মেচকী এক্সত্রা টাইমগী অহানবা মিনটতো নেরোকাগী মিদফিল্ডর শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ জপানিজ মচা কাটসুমি য়ুসানা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তনা চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু পাঞ্জল ০-০দা দ্রো চৎখি।

# মৈরাবনা ওল ইন্দিয়া অন্দর-১৯ জুনিয়র বোইজ সিঙ্গলস টাইটল অমুক্কসু লৌখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস)ঃ বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (বি এ আই) গী মীৎয়েং মখাদা অন্ধ্র প্রদেশকী বিজয়ৱাদাদা থা অসিগী ২২দগী হৌদুনা ২৭ ফাওবা চথুরকখিবা য়োনেক্স সনরাইস ওল ইন্দিয়া বেদমিন্টন রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৯দা মণিপুরগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা অন্দর-১৯ জুনিয়র বোইজ সিঙ্গলস টাইটল অমুক্কসু লৌখ্রে।

অন্দর-১৯ জুনিয়র বোইজকী ওইনা পাঙথোকখিবা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি মথং থাদা নেদরলেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা দচ্চ জুনিয়র ওপন গ্রান্দ প্রী ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট ২০১৯ অমসুং বর্লিনদা পাঙথোক্কদৌরিবা জর্মন জুনিয়র ওপন গ্রান্দ প্রী ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা শরুক য়ানবগী ইন্দিয়াগী জুনিয়র বেদমিন্টন টিমগী ফাইনেল ত্রায়ল সেলেক্সন অমনি। অন্দর-১৯ জুনিয়র বোইজ য়োনেক্স সনরাইস ওল ইন্দয়া জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯ অসিদা অন্দর-১৯গী সিঙ্গল ইভেন্টতা শান্নরোয় ৩১৮না শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা উত্তর প্রদেশকী চিরাক সেটপু পোইন্ট ২১-১৩, ২১-১৩; অনীশুবা রাউন্দদা হরিয়ানাগী হর্স অরোরাবু ২১-১৬, ২১-১৮ অমদি অহুমশুবা রাউন্দদা কর্নাটকাগী শান্নরোয় টেজাজ কলোলকরবু ২১-৯, ২১-৬তা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টেলেঙ্গনাগী থরুন এমবু ২১-১৯, ২১-১৬তা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙলকখি। সেমী ফাইনেল মেচতা হরিয়ানাগী রবিবু ২১-১৭, ২১-১৬তা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি। অন্দর-১৯ জুনিয়র বোইজকী ওল ইন্দিয়া রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা অন্ধ্র প্রদেশকী সাই চরস কোয়া অমসুং মণিপুরগী মৈরাবা লুৱাংগা শান্নখিবা মেচতা মৈরাবা লুৱাংনা ১৪-২১, ২৪-২২, ২১-১৪দা মায় পাক্তুনা অন্দর-১৯গী ইভেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

পনবা য়াবদি, বি এ আইনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া রেঙ্কিং জুনিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা হন্দক্কী অসি থারগা অনীরক চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

১৩শুবা এন বলানন্দা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ লোইশিনখ্রে

# এ কে এস এ ক্বাক্তানা এম পি টু ৱাই এ মোইরাংবু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা ঙরাংদগী বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ১৩শুবা এন বলানন্দা মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা এ কে এস এ ক্বাক্তানা এম পি টু ৱাই এ মোইরাংবু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

টিম ১১না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্না খাইদোক্লগা পাঙথোকপা ১৩শুবা এন বলানন্দা মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মনিদকো মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র দল্লিয়ু কেমেশ্বরনা চীফ গেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর এলেভেনগী স্পিসিয়েল কন্ত্রেক্টর কে ঐচ সোমোরেন্দ্রোনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.৩০ তবদা এ কে এস এ ক্বাক্তা অমসুং এম পি টু ৱাই এ মোইরাং শান্নখি। মেচ অদুগী টাইটল লৌনবগীদমক মায়মৈ অনীদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা এ কে এস এনা এম পি টু ৱাই এবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখি। এ কে এস এগী পাঞ্জলশিং অদু এম দি রোহিট অমদি এম দি রিয়াজউদ্দিন্না চনখি। অদুগা মায়থীহৌরগা এম পি টু ৱাই এগী পাঞ্জল অদুনা অরুননা চনখিবনি।

৮শুবা হরাওরৌ ত্রোফি ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# লমলাই এফ সীনা ঈ য়ু এস সীবু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস)ঃ ৱাই এম সী হরাওরৌনা শীন্দুনা ৱাই এম সীগী শান্নবুংদা চথুরিবা ৮শুবা হরাওরৌ ত্রোফি ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা লমলাই এফ সীনা ঈ য়ু এস সীবু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্না খাইদোক্লগা চথুরিবা ৮শুবা হরাওরৌ ত্রোফি ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহুমশুবা পোজিসনগী মেচ ওইনা ঙসি গ্রুপ বিগী ৱিন্নর ঈ য়ু এস সী তেলৌ অমসুং গ্রুপ দিগী ৱিন্নর লমলাই এফ সী লম্বা তৌনখি। অহুমশুবা পোজিসনগী টাইটল ফংনবগীদমক টিম অনীনা অহানবা মীৎকুপ্তগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি।

মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা লমলাই এফ সীনা ঈ য়ু এস সী তেলৌবু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীখিবনি। লমলাই এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ কে ঐচ অনোসনা মেচকী ১৪শুবা অমসুং ২৭শুবা অমদি জর্সি নম্বর ২ এম সনাথোইনা মেচকী ১৭শুবা অমদি ৪০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২/২ চনখি। মায়থীহৌরবা ঈ য়ু এসগী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৭ এন জি জিতেন্না মেচকী ৩৫শুবা অমদি ৩৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ অমসুং জর্সি নম্বর ৮ এস নোবেলনা মেচকী ২৩শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

# পি টি আর সীনা ঈ এস য়ু অমসুং ক্রাওনা এস এস য়ুবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) গী মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লব (এল এস সী) লংথবালনা শীন্দুনা লংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়দা লৈবা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা পি টি আর সী পাৎশোইনা ঈ এস য়ু ৱাংখৈ অমদি ক্রাও খম্নাম লৈরকনা এস এস য়ু শগোলবন্দবু মায়থীবা পীখ্রে।



টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ১২শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক অহানবা গ্রাউন্দদা পি টি আর সী পাৎশোই অমসুং ঈ এস য়ু ৱাংখৈ শান্নখি। মেচ অদু ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং অমদি পি টি আর সী পাৎশোইনা বোলিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ঈ এস য়ুনা ওভর ২০দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ৭৮ লৌখি। ঈ এস য়ুগী হেরোজিৎনা বোল ১৩দা রন ১২ অমসুং সিভজিৎনা বোল ২৭তা রন ২২ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোলিং তৌখিবা পি টি আর সীগী থোইবনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ২, সোহেলনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২ অমদি অলফেদনা ওভর ২ লংবদা ৱিকেট ২ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা পি টি আর সীনা ওভর ১২দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ৭৯ লৌদুনা মেচ অদু পি টি আর সীনা ৱিকেট ৬তা মায় পাকখি। পি টি আর সীগী জোনসন্না বোল ১৭তা রন ২০, জোনিনা বোল ১৯দা রন ১৩ অমসুং রেঞ্জুনা বোল ১৫দা রন ১২ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোলিং তৌখিবা ঈ এস য়ুগী হেমচান্দনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ অমসুং সুরজিৎনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ১ লৌখি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখিবা পি টি আর সীগী সোহেলনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল ২শুবা গ্রাউন্দদা এস এস য়ু শগোলবন্দ অমসুং ক্রাও খম্নাম লৈরক লম্বা তৌনখি। ক্রাওনা টোস ঙমদুনা মেচ অদুগী অহানবা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ক্রাওনা ওভর ১৯.৪দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ১৭৩ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা এস এস য়ুনা ওভর ২০ লংবদা ৱিকেট ৮ তুরগা শুপ্নতগী রন ১১১ লৌদুনা মেচ অদু ক্রাওনা রন ২দা মায় পাকখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোলিং তৌখিবা এস এস য়ুগী রোসন্না ওভর ৩দা ৱিকেট ৩ অমদি রোহিটনা ওভর ৪দা ৱিকেট ২ লৌখি।

ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচ অদুদা রন ২০ অমদি ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখিবা ক্রাওগী সোমিটনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

# অনীশুবা নুঙ্গোই কপ ২০১৯

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএন এস)ঃ নুঙ্গোই এফ সীনা শীন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তনা পাঙথোকপা নুঙ্গোই কপ ২০১৯ (সভেন মেন এ সাইদ অন্দর ৫৩ কেজি ফুটবোল টুর্নামেন্ট) হন্দক চহীগী ওইনা অনীরকশুবা এদিসন ওইনা নুঙ্গোই এফ সীগী শান্নবুংদা চথুরিবা অনীশুবা নুঙ্গোই কপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা সৈজাং এফ সী, দেবেশ্বরি এফ এ, শকহেনম্না এফ সী অমসুং নোংদম মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা অহানবা গ্রাউন্দদা সৈজাং এফ সীনা লমলাই এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা; লীগ রাউন্দগী অহুমশুবা মেচ ওইনা অনীশুবা গ্রাউন্দদা দেবেশ্বরি এফ এনা নুঙ্গোই-বিবু পাঞ্জল ১-০দা; মরিশুবা মেচকী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা শকহেনম্না এফ সীনা ঙম্বা এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা অমসুং লীগ রাউন্দগী ৫শুবা মেচকী মরিশুবা অমদি ঙসিগী অরোইবা গ্রাউন্দদা নোংদম এফ সীনা লক্সমি এফ সীবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি।




HL-P/2433/8-31-2,4 feb (alt)

মঙাশুবা এ এম এফ আই এম পি এ কপ ২০১৯

# এ এম এম আই কে-এ এফ সীনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফিল্ম মেকরস এন্দ প্রদ্যুসর এসোসিএসন (অমফিস্পা) না শীন্দুনা পোরোম্পাৎ টি ভি টাৱর মনাক্তা লৈবা নেসু গ্রাউন্দদা চথুরকপা মঙাশুবা এ এম এফ আই এম পি এ কপ ২০১৯দা এ এম এম আই কে-এ এফ সীনা এমসেট এফ সীবু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা এক্টর এফ সীনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ঐচ ভি এস কন্সত্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর হুইদ্রোম বিক্রম, সোসল ৱার্কর অংথা তোম্বী, ইন্দিয়ন টিমগী হান্নগী কেপ্তেন ও বেমবেম, অমফিস্পাগী হান্নগী প্রসিদেন্ট চান্দ হৈস্নাম অমদি কে এস ঐচ কিশ্বরকুমার, নেসুগী প্রসিদেন্ট কোন্সম নরেন্দ্রজিৎ অমদি অমফিস্পাগী প্রসিদেন্ট আর কে চন্দ্রকুমারনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা এ এম এম আই কে-এ এফ সীনা এমসেট এফ সীবু পাঞ্জল ৭-৬তা মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা অহুমশুবা পোজিসনগী মেচ ওইনা এক্টর এফ সী অমদি দিরেক্টর এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু এক্টর এফ সীনা দিরেক্টর এফ সীবু পাঞ্জল ৭-২দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি।

বেষ্ট দিসিপ্লিন প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টনা এ এম এম আই কে-সীগী এ জে মাইস্নাম, বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টনা সিনে এক্টর এফ সীগী পি ঐচ রোসন, হায়েষ্ট স্কোরর ওফ দি টুর্নামেন্টনা সিনে এক্টর এফ সীগী নাওবা, বেষ্ট গোলকিপর ওফ দি টুর্নামেন্টনা সিনে এক্টর এফ সীগী জি বোনি শর্মা অমদি বেষ্ট মার্চপাষ্ট টিমনা কোরিওগ্রাফর এফ সীনা তাখি।

HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com